Saturday, January 26, 2019, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## এস ঐচ মনি শর্ম্ম নীংশিং থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট টুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৪০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন আই এস সী লাইরেঞ্জম অমসুং এস এফ সী তেরা খুরাইজম লৈরক শান্নখিবা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম এস সী মালোম অমসুং জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী মায় পাক্লবা অহেনবা গোল চন্ননবা হোৎনরক্লবসু লম্বা চানা শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এম এস সী মালোম অমসুং জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক দ্রো চৎখি।

## হৈবোক ক্রিকেট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১০শুবা মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লিনা টোস ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৪১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি সী সীনা ওভর ১৭.৩দা ৱিকেট লোইনা তুরগা শুপ্নতগী রন ৮০ লৌদুনা মেচ অদু চেম্প খাগেম্প-ল্লিনা রন ৬১দা মায় পাকখি। চেম্পকী রবিশঙ্করনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা সাইক্লোন অমসুং ফোর্স ক্ষেত্রিগাও শান্নখি। মেচ অদু ফোর্সনা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌদুনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৮ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ১৯.২দা ৱিকেট লোইনা তুরগা শুপ্নতগী রন ১১১ লৌদুনা মেচ অদু ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা রন ১৭তা মায় পাকখি। ফোর্সকী কাসিমনা ৱিকেট ৪ লৌরগা মেচ অদুগী মেন ওফ দি মেচ তাখি।

## টেনিস টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ এসোসিএসন ওফ টেনিস লবরস (এ টি এল) না শীন্দুনা মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা হাও গ্রাউন্দ অমদি অকাম্পাৎকী টেনিস কোর্টতা চত্থরিবা ৮শুবা সী ৱাই এল সী ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেন্স ওপনগী ফাইনেলদা রিভাস্কর অমসুং বোনা থেঙ্গাইনরগনি।

মেন্স ওপনগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা টি ঐচ রিভাস্কর অমসুং অজাদ খান শান্নখিবা মেচ অদু টি ঐচ রিভাস্করনা অজাদ খানবু ৬-১, ৬-১দা অমসুং ইভেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা বোনা অমসুং ঐচ বেকর শান্নখিবা মেচ অদু বোনানা ঐচ বেকরবু ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ৪০ মথক্কী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরাগা টুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরানা ৬-১, ৪-৬, ১২-১০দা মায়থীবা পীরম্লগা চহী ৪০ মথক্কী মেন্স দবলসকী টাইটল লৌখি।

ষ্টেট টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স ওপনগী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি। অদুগা কম্বাইন্দ ১১০ য়রস দবলসকী ফাইনেলসু হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি হায়রি।

## অনীশুবা নুঙ্গোই কপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ নুঙ্গোই এফ সীনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোকপা নুঙ্গোই কপ ২০১৯ (সভেন মেন এ সাইদ অন্দর ৫৩ কেজি ফুটবোল টুর্নামেন্ট) হন্দক চহীগী ওইনা অনীরকশুবা এদিসন নুঙ্গোই এফ সীগী শান্নবুংদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা নুঙ্গোই কপ ২০১৯ (সভেন মেন এ সাইদ অন্দর ৫৩ কেজি ফুটবোল টুর্নামেন্ট) লমলাই কেন্দ্র ইনভাইটেসন অসি হৌদোকপগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল নুঙ্গোই-এ অমসুং হৈকক মপাল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু মায়কৈ অনীদগী মায় পাক্ন বগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনট ফাওবদা টিম অনীনা ফজনা শান্নখিবনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নদনা লৈনখি। মেচকী ১২শুবা মিনটতা নুঙ্গোই-এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৩ প্রটাপনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকপদা নত্তনা নুঙ্গোই এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। হৈকক মপাল এফ সীগী মায়কৈদগী নুঙ্গোই-এনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

## এম সীনা এন এস য়ুবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ চজিং ইনাৎ কনবা লূপ (সী ঐচ আই এ এল) না শীন্দুনা লিলোং চজিংদা লৈবা চজিং কাংজৈবুংগী শান্নবুংদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫দগী হৌদুনা চত্থরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এম সী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়না এন এস য়ু নরান কোঞ্জিন মমাঙ লৈকায়বু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্নুনা চত্থরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদা এন এস য়ু অমসুং এম সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা মায়কৈ অনীদগী মায় পাক্নবা এটেক কয়া চত্থনরবসু গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা এম সীনা এন এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা থা অসিগী ২৯দা এম আর সী অমদি এম সী থেঙ্গাইনরগনি হায়রি।

## ফাইনেলদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী, ৱাই এম সী-এ থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ ৱাই এম সী হরাওরৌনা শীন্দুনা ৱাই এম সীগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ট্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা ফাইনেলদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ অমসুং ৱাই এম সী-এ হরাওরৌ থেঙ্গাইনরগনি।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা হরাওরৌ ট্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা অমুকসু টাই ব্রেক তাদুনা টোসতা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌনা ঈ য়ু এস সী তেলৌবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। হরাওরৌ ট্রোফি অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা লমলাই এফ সী অমসুং ৱাই এম সী-এ হরাওরৌ শান্নখিবা মেচ অদু টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনবদা ৱাই এম সী-এ হরাওরৌনা লমলাই এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

## এম ৱাই সীনা পি ৱাই সীবু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাইজেসন (কে এস ও) তেংনৌপল ব্লোকনা শীন্দুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সাইভোম ভিলেজকী শান্নবুংদা চত্থরকখিবা অনীশুবা কে এস ও তেংনৌপল ব্লোক লেভেল স্পোর্টস মীট ২০১৯দা মোলনোম য়ুথ ক্লব (এম ৱাই সী) না ফালবুং য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সী) বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টিম ১৭না শরুক য়াদুনা শান্নখিবা নুপাগী ফুটবোলগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি এম ৱাই সী অমসুং পি ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী মরিশুবা মিনটতা এম ৱাই সীগী জানখুলেটনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু এম ৱাই সীনা পি ৱাই সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। স্পোর্টস মীট অসিগী নুপীগী বোল্লিবোলদনা ৱাই এস সী য়ুনা তেংনৌপল য়ুথ ক্লব-এবু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ বেঞ্জামিন মাতে, তেংনৌপলগী এস পি ডা. এস ইবোমচা, সোসল ৱার্কর সৈবোই হাওকিপ, তেংনৌপলগী দি সী ঐচ রুপচন্দ্র অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট কে এস ওগী প্রসিদেন্ট থাংবা লুংদিমনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## কুঞ্জো নীংশিং ফোর মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৪২শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পামুবা এফ সী নহারুপনা ৱাই এস এস য়ু কৈখুবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। পামুবা এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু জেমসন্না পাঞ্জ ২, এন কে রাহুলনা পাঞ্জল অমা চনখি। লীগ রাউন্দগী ৪৩শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ এফ সী পোরোম্পাৎনা পি ৱাই সী ৱাংখৈবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। এ এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সনাথোই অমদি নিকেসনা চনখি। মায়থীহৌরবা পি ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা কোহেলনা চনখি। লীগ রাউন্দগী ৪৪শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ফালটু এফ সী শিংজমৈনা পি এম সী-বি তাখোক মপালবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। ফালটু এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু বোদে অমদি গিবাসন্না চনখি। লীগ রাউন্দগী ৪৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুমিদাংগী মরিশুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা ফেল এফ সী কোংবনা এলিট এফ সী ক্বাকৈথেলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

## ইরান সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

অবু ধাবি, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী)ঃ য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোকপা এসিয়ন ফুট-বোল কনফিদরেসনগী মখাদা শান্নবা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইরাননা চাইনাবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা চাইনাগী টিম অদুবু ইরাননা হৌবদগী খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইরানগী টারেমিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইদ্রিঙৈ ৩১শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় অজমোননা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২-০দা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা চাইনাগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদ্রিঙৈ ইরাননা ইঞ্জুরি টাইমদা করিমনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ৩-০দা থোইরগা সেমী ফাইনেলদা জপানগা থেংনরগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৭


১। ক্রিকেট শান্নবদা মমিং চৎলবা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোনাল্ড ব্রেদমেন ইন্দিয়াদা অমুক্তা লাকখিদ্রি অদুবু মহাক্কী নুপী জেশী ব্রেদমেনদি ইংলেন্দা চৎপা মতমদা বোম্বে (মুম্বাই) গী হিথাংফমদা মহাক্কী জহাজ অদু খামদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা হরাউনা ওকপীখি। শান্নরোয় অদু কনানো?

২। রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরিঙৈদা টেষ্ট মেচ শান্নবদা পাঞ্জল থোয়নখিদবা হায়বদি দ্রো ওইখিবগী মশীং অদু চাদা কয়ানো?

৩। ওলিম্পিক গেমস চহী ৪ / ৪ লৈরগা পাঙথোকই। নেমিয়া গেমস চহী কয়া কয়া লৈরগা পাঙথোক্লম্মী?

৪। মহাক হোনোলুলুগী প্রিনসেসরুথকী কোনুংদা পোকপা মতমদা ইংলেন্দগী নিংথৌ মচানুপা অনীশুবা দিউক-ওফ-ইন্দিনবরা ঈথৎ অদু য়েংবা লাকখি। মহাক ওলিম্পিক্কী ইরোইবদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।


৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com